# ম্যান্মার নেস্নেল ১৫,০০০ রোম মিজোরামদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি

আইজোল, মে ১৯ (এজেন্সী): হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১ দগী মিলিটরি লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং মিলিটরিগী ওৎ নৈবা খাঙবা ঙমদবদগী ম্যান্মার নেস্নেল কয়া য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈনরি। ইন্দিয়াগী ওইনসু মিজোরামদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ম্যান্মার নেস্নেল ১৫,০০০ হেন্না চঙজফম লৌদুনা লৈরি হায়না মিজোরামগী ষ্টেট প্লানিং বোর্দ চ্যেরমেন ঐচ রামমাওৱিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মমাং থা ফাওবদা ষ্টেট অসিদা ম্যান্মারগী লো মেকরশিং য়াওনা মীওই ১,৮০০ চঙজফম লৌখি। অদুবু ঙমখৈগী শরুক্তা লেপ্পা লৈতনা মীওই কয়া চঙশিল্লকখিবনা হৌজিক্তি মিজোরাম নেস্নেল ১৫,৪০০ শুখ্রে হায়রি। মিজোরামদা চঙলক্লিবা ম্যান্মার নেস্নেলশিংনা হৌজিক্কী ওইনা খ্বাইদগী মরু ওইবসি চানবা চীঙাক অমদি মখোয়গী হকচাংগী ট্রিটমেন্ট চথবনি। মিজোরাম গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ম্যান্মার রিফ্যুজিশিং অসিদা পীবা য়াবা মতেং পীরি অমদি মখা তানা পীনবসু হোৎনরি। মিজোরাম অমসুং ম্যান্মারগী শরুক খরদা য়াম্না নক্নবা মরী লৈনবনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা ম্যান্মার নেস্নেলশিং চঙজফম লৌদুনা লাকখিবনি।

মিজোরামগী কোনুং আইজোলদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ম্যান্মার নেস্নেল লীশিং ৬ লোম লৈরি। অদুগা লেমহৌরিবশিং অদুনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৫ দা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। মরকসিদা খ্বাইদগী হেন্না লুরিবদি ম্যান্মারদগী চঙলকখিবা মীওইশিং অদুগী মরক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকখিবা অসিনি হায়না রামমাওৱিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।




সেকমাই এ সীগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোগী লিচিং মখাদা এ সী অসিগী কোভিদ-১৯ ফ্রন্ট লাইন ৱারিয়র গ্রুপনা অৱাবা নংলবা ইমুংশিংদা চানা থক্নবা মতেং পাংবা

# জেলগী ইনমেট ৫৩ পোজিটিভ ওইরে

দিব্রুগর, মে ১৯ (এজেন্সী): দিব্রুগর সেন্ট্রেল জেলগী ইনমেট ৫৩ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। হন্দক্তা ফাদুনা দিব্রুগর সেন্ট্রেল জেলদা থল্লিবা উলফা (আই) গী লিদর জিবোন মোরান নিংথৌকাবা নুমিত্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখি।

জেল অসিদা পুন্না ইনমেট ৫৩০ লৈরিবনি। ইনমেটশিং অসিগী মনুংদা মীওই ২২৩ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কোভিদ টেষ্ট তৌখি অমসুং মীওই ৫৩ পোজিটিভ ওইখি। অতৈ ইনমেট ১৭১ না নেগেটিভ ওইখি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইনমেট অমা পোজিটিভ ওইখিবনি। সোর্চশিংগী মতুং ইন্না লৈহৌরিবা ইনমেট ৩০৬ অথুবা মতমদা কোভিদ টেষ্ট তৌরগনি। পোজিটিভ ওইরবা দিব্রুগর জেলগী ইনমেটশিং আইসোলেসন তৌখ্রে।


জেল অসিগী ওইরক্লিবা ফীভম অসি দিব্রুগরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার পলব গোপাল ঝানা কনফাম তৌখি। মহাক্কী মতুং ইন্না লায়না অসি য়ারিবমখৈ ঙন্না খঙদোক্নবগীদমক ওথোরিটিশিংনা দিব্রুগরদা নুমিৎ খুদিংগী পাঙথোকপা কোভিদ টেষ্ট মশীং হেনগৎহল্লে। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পোজিটিভ কেস ৪৪৫ থেংনখি অদুগা মীওই ৬ শিখি।

# পুং ২৪ গী মনুংদা মীওই ৩ শিখ্রে

ইটানগর, মে ১৯ (এজেন্সী): অরুনাচল প্রদেশতা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা মীওই অহুম শিখ্রে অমসুং লায়না অসিগী অনৌবা কেস ৩৫৬ দিটেক তৌখ্রে। অরুনাচল প্রদেশ কোভিদ-১৯ বুলেটিনগী মতুং ইন্না অনৌবা কেস ৩৫৬ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সেম্পল ৪,৮৮৮ টেষ্ট তৌদা থেংনরে।

অনৌবা কেসশিংগী মনুংদা কেস ২১৬ তি লাইওং উৎপশিংনি অমসুং কেস ১৪০ না লাইওং উত্তবশিংনি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোভিদ পেসেন্ট ৩০২ লায়না অসিদগী ফদুনা তোঙান তোঙানবা কোভিদ ক্যের সেন্তরশিং অমসুং হোস্পিটালশিংদগী দিচার্জ তৌখি।

হৌজিক ফাওবদা পুন্না পেসেন্ট ১৯,৯৭৭ লায়না অসিদগী ফরে। ষ্টেট অসিগী ওইনা ফরকপগী চাং চাদা ৮৮.৯৪ নি। অনৌবা কেসশিং অসি থেংনবগা লোয়ননা অরুনাচল প্রদেশকী অপূনবা কোভিদ-১৯ কেস মশীং ২৩,৪৬২ য়ৌরে। ষ্টেট অসিদা হৌজিক এক্তিভ কোভিদ-১৯ পেসেন্ট ২,৩৯৭ লৈ। পোজিটিভ ওইবগী চাং ষ্টেট অসিগী ওইনা চাদা ১০.৬৭ নি। মীওই ৩ শিখিবা অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা ষ্টেট অসিদা মীওই ৮৮ শিহনখ্রে।



## CROSSWORD-3785

### ACROSS

1 Earl's wife (8)
6 Nothing (3)
9 Not loud (5)
10 Chirping insect (7)
11 Restricted (7)
13 Soft sweet (5)
14 Repaired (6)
15 Sumptuous meals (6)
19 New Zealand native (5)
21 Study of the past (7)
22 Person of no fixed abode (7)
23 Merriment (5)
24 Have a meal (3)
25 Adversary (8)

### DOWN

2 Low stuffed seat (7)
3 Silent assent (3)
4 Former Portuguese currency (6)
5 Rigidity (9)
6 Bare (5)
7 Liquid measure (5)
8 Symbol (6)
12 Gilbert and Sullivan opera (3,6)
16 Pouch worn with kilt (7)
17 Reaping tool (6)
18 Stop speaking (4,2)
19 Film (5)
20 Should (5)
23 Adult males (3)

**Solution 3784**



**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# ত্রিপুরাদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংননবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কোরোনা ক্রাইসিস মেনেজমেন্ট গ্রুপশিং শেমখ্রে




অগরটালা, মে ১৯ (এজেন্সী): ত্রিপুরাদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ লাকশিন্নবগীদমক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কোরোনা ক্রাইসিস মেনেজমেন্ট গ্রুপশিং শেমখ্রে অমসুং ষ্টেট লেভেলদগী ভিলেজ লেভেল ফাওবগী কম্মিটিশিং শেমদুনা লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবগী থৌরাংশিং য়াৎখ্রে।

ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা ত্রিপুরাগী চীফ সেক্রেটরি মনোজ কুমারনা ষ্টেট লেভেলদগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল, ব্লোক লেভেল ফাওবগী কম্মিটিশিং অমসুং এ দি সী, অগরটালা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (এ এম সী), অরবান লোকেল বোদি, পঞ্চায়ট লেভেল অমসুং ভিলেজ লেভেলগী তোঙানবা কম্মিটিশিং শেম্নবা ওর্দর অমা থোকখ্রে।

নোর্থ ইষ্ট নাওগা ৱারী শান্নবদা গভর্ণমেন্টকী স্পোক্সপার্সন লো মিনিষ্টর রতনলাল নাথনা হায়, কম্মিটিশিং অসি শেম্বগী মরু ওইবা পান্দমদি কোরোনা ভাইরস লাইচৎ থিংনবগী মহৈ য়ানগদবা থৌরাংশিং লৌখৎপনি। কম্মিটিশিং অসিনা লায়চৎকী ফীভম নুমিৎ খুদিংগী রেভিয়ু তৌবগা লোয়ননা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎকনি অমসুং পেন্দমিক অসি থিংননবা মীয়ামদা ৱাখল তাহনগনি।

ষ্টেট লেভেল কম্মিটিশিং অদুদা চীফ মিনিষ্টর, দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর, রেভিন্যু মিনিষ্টর, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর, ইষ্ট এন্দ ৱেষ্ট ত্রিপুরাগী এম পিশিং, রাজ্য সভাগী এম পি, চীফ সেক্রেটরি, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী সেক্রেটরি, ত্রিপুরা পুসিলকী চীফ, দিরেক্তর অমসুং রেভিন্যুগী সেক্রেটরি য়াওরি।

দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কম্মিটিনা ষ্টেট কেবিনেটকী মেম্বরশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিং য়াৎথোক্লে। দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিশিংদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংগী এম এল এশিং য়াওরি। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেদ, দিষ্ট্রিক্ট এস পি, দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদ্যুকেসন ওফিসরসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিদা য়াওরি।

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-3584

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | | 2 | | | 6 | | |
| | | | | | | | 5 | |
| 2 | 5 | | 3 | 6 | | | 1 | 9 |
| | 7 | | 5 | | | | | |
| | | 6 | 1 | | 9 | 4 | | |
| | | | | | 3 | | 7 | |
| 7 | 8 | | | 9 | 1 | | 6 | 5 |
| | 6 | | | | | | | |
| | | 5 | | | 8 | | | 4 |

### Solution-3583

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 4 | 7 | 6 | 1 | 5 | 9 | 2 | 8 |
| 5 | 1 | 2 | 9 | 8 | 4 | 3 | 7 | 6 |
| 8 | 9 | 6 | 2 | 7 | 3 | 4 | 5 | 1 |
| 9 | 6 | 8 | 5 | 3 | 2 | 1 | 4 | 7 |
| 2 | 7 | 3 | 1 | 4 | 8 | 6 | 9 | 5 |
| 4 | 5 | 1 | 7 | 9 | 6 | 2 | 8 | 3 |
| 1 | 3 | 4 | 8 | 2 | 7 | 5 | 6 | 9 |
| 7 | 2 | 5 | 3 | 6 | 9 | 8 | 1 | 4 |
| 6 | 8 | 9 | 4 | 5 | 1 | 7 | 3 | 2 |

# অসাম রাইফলসনা কোভিদ-১৯ গী চৈথেং ফংলবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা তেংবাং পীবগী থবক চথরি



আইজোল, মে ১৯ (এজেন্সী): লুংলৈ বটালিয়গী ২৩ সেক্তর অসাম রাইফলসনা ইন্সপেক্তর জেনরেল অসাম রাইফল ইষ্ট হেদ ক্বার্টরগী মীৎয়েং মখাদা মিজোরামগী মনুং চনবা লুংলৈ দিষ্ট্রিক্তা লৈবা কোভিদ-১৯ না চৈথেং পীরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা মতেং পাংবগী থবক চথরি।

ঙসিসু ২৩ সেক্তর অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা লৈবা শেল থুমগী ফীভম শোত্থরবা অমদি অহল ওইরবা মীওইশিংদা চানা থক্নবা পোৎলমশিং য়াওনা শাটিন ১৫ অমদি মাস্ক ৩০ য়েন্থোকখ্রে। হীরম অসিগা মরী লৈননা হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (ইষ্ট) না ফোঙদোকখিবদা লুংলৈ দিষ্ট্রিক্তা অসাম রাইফলসনা হান্নদগী হৌনা শোত্থরবা মীওইশিংদা মতেং পাংবগী থবক চথদুনা লাক্লি।

মতম মতমগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা এ আর পর্সনেলশিংনা অনা লায়েংগী কেম্প লেম্না পাঙথোকপগা লোয়ননা হীদাক লাংথকশিং য়েন্থোক্নুনা লাক্লি। মসিদা নত্তনা ইংখৎলক্লিবা নহা কয়া মতমগা চান্নরবা এৱার্নেসশিং পীদুনা অফবা মী অমা ওইনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মরম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা মীওই কয়া শুফম নোমফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্নরি। মখোয়শিং অদুগী য়েংলগা অসাম রাইফলসনা চাং নাইনা কা হেন্না লাইরবগী চৈথেং ফংলবা মীওইশিং খন্দোক্নুনা চেঙ অমদি হৱাই পীদুনা মতেং পাংলি।

অমরোমদা লুংলৈ দিষ্ট্রিক্তা মশাগী ওইজবা থিবা মীওই খরনা ময়াই কাবা চীঙাকশিং লল্লোন ইতিক তৌবগী থবক পাক শন্না চথরি। অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী অসিগুম্বা লোনা য়াদবা থবক থৌওংশিং অসি তৌবদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফানবা অকনবা মওংদা হোৎনরি।

অসাম রাইফলসনা পায়খৎলিক্লিবা থবক থৌরমশিংদা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মীয়াম্না থাজবা থম্লগা লোয়ননা মতেং পাংবদগী অসাম রাইফলসনা থবক থৌরম কয়া মপুং ফানা পায়খৎপা ঙম্লি। মখা তানসু বটালিয়ন অসিনা লুংলৈ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা মীয়ামগীদমক পাংবা য়াবা মতেং পাংখিগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎনবা আপীল তৌরক্লি।

## EMPLOYMENT NEWS

IGCAR Kalpakkam Recruitment 2021: Government of India, Department of Atomic Energy (DAE), Indira Gandhi Centre for Atomic Research (IGCAR) Kalpakkam invites online applications from eligible Indian Citizens for recruitment of Group A, Group C and Stipendiary Trainees. The online registration process will be start from 15th April 2021 and scheduled to be close on 14th May 2021. The last date for submission of application has been extended up to 10th June 2021.

ADVERTISEMENT NO. IGCAR/02/2021

Direct Recruitment:

Name of Post
No of Vacancies
Scientific Officer / E (Group A)
01
Technical Officer / E (Group A)
01
Scientific Officer / D (Group A)
03
Technical Officer / C (Group A)
41
Technician / B (Crane Operator)
01
Stenographer Grade III
04
Upper Division Clerk (UDC)
08
Driver (OG)
02
Security Guard
02
Work Assistant / A
20
Canteen Attendant
15

Stipendiary Trainee Vacancies:

Name of the Post
No of Vacancies
Stipendiary Trainee Category I
68
Stipendiary Trainee Category II
171

Age Limit:

Scientific Officer / E: 18 to 40 years
Technical Officer / E: 18 to 40 years
Scientific Officer / D: 18 to 40 years
Technical Officer / C: 18 to 35 years
Technician / B (Crane Operator): 18 to 25 years
Stenographer Grade III: 18 to 27 years
Upper Division Clerk (UDC): 18 to 27 years
Driver (OG): 18 to 27 years
Security Guard: 18 to 27 years
Work Assistant / A: 18 to 27 years
Canteen Attendant: 18 to 25 years
Stipendiary Trainee Category I: 18 to 24 years
Stipendiary Trainee Category II: 18 to 22 years

Pay Scales:

Scientific Officer / E: Level 12 ? 78800/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Technical Officer / E: Level 12 ? 78800/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Scientific Officer / D: Level 11 ? 67700/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Technical Officer / C: Level 10 ? 56100/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Technician / B (Crane Operator): Level 3 ? 21700/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Stenographer Grade III: Level 4 ? 25500/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Upper Division Clerk (UDC): Level 4 ? 25500/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Driver (OG): Level 2 ? 19900/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Security Guard: Level 1 ? 18000/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Work Assistant / A: Level 1 ? 18000/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Canteen Attendant: Level 1 ? 18000/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules

Educational Qualifications:

Scientific Officer / E: Ph.D. in Metallurgical Engineering / Materials Engineering with B.Tech with minimum 60% marks in respective discipline. Minimum 04 years relevant experience.
Technical Officer / E: B.E. / B.Tech with minimum 60% marks in Chemical discipline.
Scientific Officer / D: Ph.D. with Bachelor of Science and Master of Science (in relevant discipline) or B.E. and M.E. or Master of Technology in in relevant discipline with minimum 60% marks.
Technical Officer / C: M.Sc. / M.Tech / B.E. / B.Tech / B>Sc.
Technician / B (Crane Operator): SSC with Science and Maths with minimum 60% marks (OR) Higher Secondary Certificate (HSC) with minimum 60% marks in Physics, Chemistry and Maths.
Stenographer Grade III: Matriculation / SSC or equivalent with 50% marks. Minimum speed of 80 wpm in English Short hand and 30 wpm in English typing.
Upper Division Clerk (UDC): A Degree in any discipline with an aggregate of 50% marks.
Driver (OG): Pass 10th Standard (Matric) / SSC. Valid driving licence to drive light and heavy vehicles.
Security Guard: SSC Pass or equivalent certificate from Armed Forces.
Work Assistant / A: Pass in 10th standard / SSC / Matric.
Canteen Attendant: Matriculation or equivalent qualification.
Stipendiary Trainee Category I: Diploma / B.Sc. Degree in relevant discipline.
Stipendiary Trainee Category II: Minimum SSC / HSC Pass in relevant discipline. ITI certificate of not less than 02 years duration in the relevant trade.

Selection Process:
Skill Test / Trade Test
Interview.

Application Fee:
300/- for Scientific Officer / Technical Officer posts.
200/- for Stipendiary Trainee Category-I posts.
100/- for Stipendiary Trainee Category-II posts.
The fee is payable online through Net Banking / Credit Card / Debit Card only.

How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online through IGCAR official website (igcar.gov.in OR i-register.in/igcarcertin) from 15th April 2021. The last date for registration of online applications is 14/05/2021 up to 23:59 PM. The closing date for registration extended up to 10/06/2021.

